# য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা ৬৪ রক শুবা ষ্টেট লেভেল সুব্রোটো কপ হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস):** মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস (য়াস)না শীন্দুনা মফম অহুমদা নুমিৎ মরিনি চত্থগদবা ৬৪ রক শুবা ষ্টেট লেভেল সুব্রোটো কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাংজিং অচৌবদা লৈবা আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।



ঙসিদগী হৌদোকখিবা টুর্নামেন্ট অসিদা দিষ্ট্রিক্ট ১১দগী লাকখিবা টিমশিংনা শরুক য়ারি। অন্দর ১৭ গার্লসকী ওইনা লাংজিং অচৌবা ফুটবোল টর্ফ গ্রাউন্দ, অন্দর ১৫ বোইজগী ওইনা চজিং গ্রাউন্দ অদুগা অন্দর ১৭ বোইজগী ওইনা থৌবাল নিংঙোম্বম ষ্টেদিয়মদা মেটচ শান্নগনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী সেক্রেটরি নাওরেম প্রবিন, দিরেক্টর মায়েংবম ভেটো, পদ্মশ্রী এৱার্দি এন কুঞ্জরানি, ইন্টরনেশনল ফুটবোল্লর ঙাঙোম বালা অমদি সোসল ৱার্কর হামোম সদানন্দনা মথংশিংনা অথোয়বা মীংথুংলেন, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা অথোয়বা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা নাওরেম প্রবিননা হায়, শান্ন-খোৎনবনা মণিপুর মালেমগী থাক্তা মশক তাক্লি। মসিবু হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা শান্নরোয় য়োকখৎপা হায়বসি লমদম অসিগী ওইনা তঙায়ফদবা অমনি।

ঙসিদগী হৌদোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিনসু লমদম অসিগী শান্নরোয়শিংগী তোঙান তোঙানবা প্লেটফোর্ম কয়াদা শান্নবা মতমদা চাওনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। শান্নরোয় অমনা মায় পাকপা হায়বসি শান্নরোয় মশাদগী হৌরগা কৈরোই-লৈকাই ক্লবশিংনা পুক্লিং থৌগৎপা মথৌ তাই। অদুগা মশান্না খুদিংমক্তা খ্বাইদগী মথৌ তারিবসি থকশি-খাশিনি। থকশি-খাশি হায়বসিদি শান্নরোয় খক্তা নত্তনা ঐখোয় খুদিংমক্না ঙাক্না চৎকদবনি। থকশি-খাশি য়াওদ্রবদি মায় পাক্লবসু মীনা শীংথাবা মীশক হায়বদু ওইবা ঙম্লোই। শান্নরোয়শিংনা শান্নবদা পুক্লিং চঙনা অমসুং ওজা মশক খঙনা চৎকদবনি। মায় পাকপা মীশক অমা ওইনবা পন্থুং য়ৌদ্রিবা ফাওবা ইশাদা নীংহন্নবা লৈতবা থৌনা অমগা লোয়ননা মতম চুপ্পদা চৎমীন্নগদবনি। ঙসিগী টুর্নামেন্ট অসি মরুওইনা লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংদা শান্নবগী ইহুল পীনবনি। লোয়ননা লমদম অসিদা থোক্লিবা ইস্যু অসিদগীসু শান্নরোয়শিংনা নীংহন্নবা পোক্তনবা হোৎনবনি। শান্নরোয়শিংনসু থৱায় য়াওনা অমদি পুক্লিং চঙনা শান্নদুনা মণিপুরগী মীংচৎ পুরক্কদবনি।

মথং চহীদদি দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তগী টিমশিং টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াহন্নবা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# হোক্কি এসোসিএশন ওফ ওড়িষানা হোক্কি হরয়ানা অদুগা হোক্কি ঝরখন্দনা হোক্কি মিজোরাম থোইদুনা ফাইনেল চঙখ্রে

**রাঞ্চি, জুলাই ১২ (এজেন্সী):** হোক্কি ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা ঝরখন্দনা য়ুম্থু ওইদুনা রাঞ্চিদা চত্থরক্লিবা ১৫ রক শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সব জুনিয়র ৱিমেন নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫গী দিভিজন এগী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা হোক্কি এসোসিএশন ওফ ওড়িষানা হোক্কি হরয়ানা অদুগা হোক্কি ঝরখন্দনা হোক্কি মিজোরাম থোইদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।



রাঞ্চিদা লৈবা মরাং গোমকে জাইপাল সিংহ এষ্ট্রো টর্ফ হোক্কি ষ্টেদিয়মদা ঙসি অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা হোক্কি এসোসিএশন ওফ ওড়িষা অমসুং হোক্কি হরয়ানাগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা টিম অনীমক্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙল্লবসু মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা হোক্কি এসোসিএশন ওফ ওড়িষানা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, হোক্কি ঝরখন্দ অমসুং হোক্কি মিজোরামগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হোক্কি ঝরখন্দনা হোক্কি মিজোরামবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। থা অসিগী ১৪দা ফাইনেল মেটচ শান্নরগনি।

# কে কে এফ আইগী ভাইস প্রসিদেন্ট তরাম্না ওকখ্রে




**থৌবাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস):** মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিএশন (এম এ কে কে এ)গী হৌজিক হৌজিক জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবা মোইরাংথেম মোধুসুদোনবু থা অসিগী ২দা ন্যু দেল্লিদা লৈবা খো-খো ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়া (কে কে এফ আই)গী ওফিসতা পাঙথোকখিবা এন্যুএল জেনরেল মীটিংনা কে কে এফ আইগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা য়েৎনবা লৈতনা খনখিবা অদুবু নুংঙাইবা অমদি অপেনবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মোধুসুদোনবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি খাঙবোক্তা লৈবা ৱিজ দম ফাউন্দেসন স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

এম এ কে কে এ অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট খো-খো এসোসিএশন অনীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা এম এ কে কে এগী ভাইস প্রসিদেন্টশিং কে বারুনী, ও বুধি, চেয়রমেন এল মনাও, খাঙবোক জিলা পরিষদকী মেম্বর কে ঐচ রাজমোহোন, ৱাই কে কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. কে ঐচ জুগিন্দ্রো অমদি ৱাইখোং পি এসকী ও সী ইন-চার্জ ডা. ও জোটিননা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

এম এ কে কে এগী মখাদা লৈবা য়ুনিটশিংগী ওফিস বিয়ররশিং, শান্নরোয়শিং লোয়ননা স্পোর্টস ওর্গনাইজরশিং অমসুং সিম্পেথাইজর কয়ানা থৌরম অদুদা শরুক য়াবগা লোয়ননা কে কে এফ আইগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লকখ্রবা এম মোধুসুদোনদা খুদোলপোৎশিং পীদুনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। অমদি এম মোধুসুদোননা শান্নরোয়শিং মরুওইনা খো-খো মশান্নগীদমক্তা কত্থোকপগা লোয়ননা হোৎনরিবা কয়াবুসু মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোক্লখি।

পনবা য়াবদি এম মোধুসুদোন মশামক শান্নরোয় অমা ওইনা হৌরক্তুনা নেশনল প্লেয়র ওইরকপদগী স্পোর্টস ওর্গনাইজেশনদা খোঙদারক্তুনা গ্রাসরুটতগী বাসু খাঙবোক্কী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা নেশনল প্লেয়র ৪০০ রোম তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা পুথোকখ্রে। মশামকসু ফিজিকেল এদ্যুকেশনদা পোষ্ট গ্রেজুএটনি।

# সব জুনিয়র বোইজগী ফাইনেলদা য়াৱা (এ) অমসুং পি য়ু সী (এ) লম্বা তৌনরগনি




**ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর সেপাকতাক্রো এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা কংলৈ য়েলহৌ চৈঙাক অমসুং উচেক্কোন য়ুথ এথলেটিক ক্লবনা শীন্দুনা উচেক্কোন য়ুথ এথলেটিক ক্লবকী শান্নবুংদা চত্থরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল সেপাকতাক্রো সোসল এৱ্যের্নেস ট্রোফি ২০২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা সব জুনিয়র বোইজগী সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা য়াৱা (এ) অমসুং পি য়ু সী (এ) মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা ঐচ য়ু দি আই সী হৈঙাং অমসুং য়াৱা শিংজমৈগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা য়াৱানা ঐচ য়ু দি আই সীবু ষ্ট্রেট সেট ২-০ (১৭-১৬, ১৫-১৩)দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

ঙসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা অলসা টোপ সিফাই অমসুং পি য়ু সী কাইরংগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচতা পি য়ু সীনা অলসাবু সেট ২-১ (১৫-১০, ১৬-১৭, ১৫-৫)দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা হার্দ লাইনগী মেটচতা ঐচ য়ু দি আই সীনা অলসাবু ষ্ট্রেট সেট ২-০দা মায়থীবা পীরম্লগা সব জুনিয়র বোইজগী অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখ্রে।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1532


**FM Allahverdi Hamidov (2223) - FM Xie Jianjun (2397)**
**Baku Open 2025 Baku AZE, 2025.04.28**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 g6 | 3.Nc3 Bg7 | 4.e4 O-O | 5.Be3 d6 |
| 6.f3 e5 | 7.d5 Nh5 | 8.Qd2 f5 | 9.O-O-O a6 | 10.Bd3 Bd7 |
| 11.Kb1 Qe8 | 12.c5 f4 | 13.Bf2 Qe7 | 14.cxd6 cxd6 | 15.Nge2 g5 |
| 16.h3 Nf6 | 17.Rc1 b5 | 18.a3 Be8 | 19.Na2 a5 | 20.Bb6 Nfd7 |
| 21.Bxa5 Nc5 | 22.Bc2 Qa7 | 23.Bc3 Bd7 | 24.Nb4 Qb6 | 25.Rhd1 Kh8 |
| 26.g4 Na4 | 27.Nd3 Na6 | 28.Ba5 Qa7 | 29.Bb4 Nxb4 | 30.Qxb4 Nc5 |
| 31.Qd2 b4 | 32.Qxb4 Rfb8 | 33.Qc3 Rc8 | 34.Nxc5 Rxc5 | 35.Qd2 Rb8 |
| 36.Ka1 Rcb5 | 37.Rb1 Bf6 | 38.Nc3 R5b7 | 39.Bd3 Bd8 | 40.Bc4 Bb6 |
| 41.Ne2 Bc5 | 42.Qd3 Ba4 | 43.Rdc1 Rb6 | 44.Rc3 Bb4 | 45.Rcc1 Bd7 |
| 46.Ba2 Bb5 | 47.Bc4 Bxc4 | 48.Qxc4... | | |


**QUESTION : Black to win**

**Puzzle 1531 Solution :**

**20. ...Qxg3+** *Opening the line from e2 to g2. Opening the line from e2 to h2.* **21.fxg3**
*21.Bg2 Qxg2#*
**21. ...Nh3#**
**0-1**




Title : Manipur Map
By : K. Nongdamba
Class : VI Roll No. : 26 Sec : C
School : Wangkhei High School



Title : Mickey Mouse
By : Amelia Thingbaijam
Class : II Roll No. : 2 Sec : A
School : Shemrock Brance-Ayangpalli



Title : Madara Uchiha
By : Jastin Haorongbam
Class : IV Roll No. : 33 Sec :
School : The Blossom School




Title :
By : Abujam Tomthilnganba Meitei
Class : IV Roll No. : 17 Sec :
School : Modern Pangantabi High School




Title : Kuromi
By : Lamnganbi Moirangthem
Class : III Roll No. : 10 Sec : E
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Raichu and Pikachu Vmax
By : Lanchenba Kh
Class : II Roll No. : 9 Sec : A
School : MM Academy Haoreibi



Title : Flower Pot
By : Makakmayum Almaj
Class : I Roll No. : 23 Sec. : A
School :



Title : Bee
By : Linthoi Yumnam
Class : III Roll No. : 2 Sec. : E
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : House
By : Misna Yumnam
Class : III Roll No. : 8 Sec. : E
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Kachru Rabbit
By : Phijam Grace Chanu
Class: II Roll No. : 32 Sec. : A
School : Shishu Nistha Niketan




Title : Sana Manipur
By : Zulfia Sheikh
Class : III Roll No. : 6 Sec. : E
School : Standard Robarth Higher Sec. School




Title : Sad Girl
By : Osiana Mutum
Class : KG Roll No. : Sec. :
School : Unacco School



Title : Balloon
By : Huirem Geetanjali Devi
Class : Nursary Roll No. : 1 Sec :
School : Twinkle Star Academy Imphal



Title : Sunset
By : Pambei Ningombam
Class : I Roll No. : 2 Sec. :
School : Alpha BCI Memorial Academy



Title : TV Man
By : Th. Yeninghunba
Class : I Roll No. : 10 Sec. : A
School : IPS School



Title : Sun Set
By : Kamei Lanchameilu
Class : V Roll No. : 24 Sec. : A
School : Little Flower School



Title : Sagol Kangjei
By : Maisnam Jiona
Class : V Roll No. : 37 Sec. : A
School : Little Blower School



Title : Laiharaoba
By : Chleo
Class : V Roll No. : 11 Sec. : A
School : Little Flower School



Title : Landscape
By : N. Pumhenbee
Class : V Roll No. : 46 Sec. : A
School : Little Flower School



Title : Ice-Cream
By : Tansilee Laimapokpam
Class : LKG Roll No. : 14 Sec. : B
School : Mount Princeton School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com